ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯃꯦ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯵꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, মে ২১, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ৫৩শুবা মশীং

# লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফীভম শোকচিল্লকপা

## অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা চহী অসিগী হায় সকুল লিভিং সার্টিফিকেট (ঐচ এস এল সী) এগজামিনেসন্দা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং ৱাংলবসু লৈঙাক্কী স্কুলশিং থোইদোক্লা ফীভম ফগৎলকপা থেংনদ্রে। হন্দক্কী চহী অসিদা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং চাদা ৭৪.৬৯ ওইরে। মমাঙ চহীদদি মহৈরোয় চাদা ৭৩.১৮ মায় পাকখিবনি। হন্দক্কী চহীদা অহানবা পোজিসন্দগী ২৫শুবা ফাওবদা পূন্না মহৈরোয় ৬৫ য়াওরকখি। পিতম্বরা ইংলিস স্কুল ক্বাকেথেলনা অহানবা অমসুং ২৫শুবা, ব্রাইটর করিয়র একাদেমি থিয়াম লৈশাংথেম্না অনীশুবা, টাইনি টোটস য়ুনিক স্কুল দুলালেন্দনা অনীশুবা, তরুকশুবা, তরেৎশুবা, নিপানশুবা, ১২শুবা, ১৪শুবা, ২১শুবা অমসুং ২৪শুবা; সেন্ট থোমাস স্কুল কোন্থা অহল্লুপনা অহুমশুবা; ব্রিলিয়ন্ট পব্লিক স্কুলনা মরিশুবা; সেন্ট জোসেফ স্কুল সঙাইপ্রৌনা মঙাশুবা, নিপালশুবা, ১৫শুবা অমসুং ২৪শুবা; খ্রাইষ্ট জ্যোটি স্কুল মন্ত্রি পুখ্রিনা তরুকশুবা, সনাতোম্বী ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলনা তরেৎশুবা; লিট্টল ফ্লৱার স্কুলনা তরেৎশুবা, ২১শুবা অমসুং ২২শুবা; ইস্লামিক বেবি ইংলিস স্কুল লিলোংনা ৯শুবা; সেক্রেদ হার্ট ইংলিস স্কুল য়াইরিপোক্না ১০শুবা; কেথলিক স্কুল কাঞ্চিপুরনা ১০শুবা, ১৪শুবা, ১৫শুবা, ১৯শুবা অমসুং ২২শুবা; মেমোরিয়ল মোদেল একাদেমি য়াইরিপোক্না ১১শুবা; মাদরস প্রাইদ একাদেমি বিষ্ণুপুরনা ১৩শুবা; নিরমালাবাস স্কুল ইম্ফালনা ১৩শুবা, ১৪শুবা, ১৭শুবা, ২০শুবা, ২৪শুবা অমসুং ২৫শুবা; দোন বোস্কো হায় স্কুল লাংজিংনা ১৫শুবা; হেরিটেজ কনভেন্ট উরিপোক্না ১৫শুবা, ২০শুবা অমসুং ২২শুবা; পদমা রত্না ইংলিস স্কুল ককচীংনা ১৫শুবা; লিট্টল মাষ্টর ইংলিস স্কুল শমুরৌনা ১৬শুবা; মোর্দন হায়র সেকেন্দরি স্কুল বিষ্ণুপুরনা ১৭শুবা অমসুং ১৯শুবা; কোমপ্রিহেন্সিব স্কুল ওইনাম্না ১৭শুবা; সেন্ট এন্থোনি স্কুল সেনাপতিনা ১৮শুবা অমসুং ২১শুবা; ষ্টেন্দর্দ রোবর্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল কাঞ্চিপুরনা ২১শুবা অমসুং ২৩শুবা; দোন বোস্কো হায়র সেকেন্দরি স্কুল চুড়াচান্দপুরনা ২৩শুবা; ব্রাইটর স্কুল নম্বোল ফোইজিংনা ২৩শুবা; বিথেল ইংলিস স্কুল নম্বোল চীংমাঙনা ২৪শুবা; করিয়র ফাউন্দেসন ইংলিস স্কুল য়াইরিপোক্না ২৪শুবা; ইষ্টর্ন ষ্টার হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোক্না ২৪শুবা; সেন্ট এদমন স্কুল লম্ফেলপাৎনা ২৪শুবা; লোয়োলা স্কুল বিষ্ণুপুরনা ২৫শুবা অমসুং ব্রাইটর একাদেমি খুম্বোংনা ২৫শুবা পোজিসন লৌবা ঙমখিবনি।

মশীং য়ামখ্রবা লৈঙাক্লা চল্লাইবা স্কুলশিংগী মরক্তা চরাংপাৎ হায় স্কুলনা ২২শুবা পোজিসন লৌবা নত্তনা অতৈদি মীকোক থোংবা মহৈরোয় অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রে। খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি লৈঙাক্কী স্কুল ৩৬ অমসুং গভর্ণমেন্ট এইদেদ স্কুল ১৫গী মহৈরোয় অমফাওবা মায় পাকপা ঙমদবগী মতাংদনি। চহী খরগী মমাঙদা লন্নাই স্কুলশিংদগী অফবনি হায়বা ওজা কয়া সর্ব সিক্সা অভিয়ান (এস এস এ) অমসুং রাষ্ট্রিয়া মধ্যামিক সিক্সা অভিয়ান (আর এম এস এ) গী মখাদা লৌশিল্লগা লৈঙাক্কী স্কুল পূন্নমক অফবা মহৈ লোইশঙ ওইহনগনি অমসুং মীথোই-মীহেনবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্কনি হায়না অচৌবা শেনফম অমা চাদিং তৌখিবা তারবসু থোইদোক্লা কান্নবগী মমি উবা ফংদ্রে। এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংবা খক্তনা মহৈ-মশিন তম্বগী মরুওইবা পান্দম ওইনা লৌবা য়াদ্রগসু লুপা ক্রোর কয়া চাদিং তৌদুনা ওজা কয়া তোলোপ চাউনা পীদুনা থল্লিবা লৈঙাক্কী স্কুল অমসুং এইদেদ স্কুল খরনা মহৈরোয় অমফাওবা মায় পাকহনবা ঙমদবা হায়বসি তশেংনা লাইবক থীবনি। চহী অসিগী ওইনা লৈঙাক্কী স্কুল ২৯৪দগী অপূনবা মহৈরোয় ৮৭১৫না ঐচ এস এল সী এগজাম মায়োক্লবদা শুপ্নগী মহৈরোয় ১৪০৫ ফর্ষ্ট দিভিজন্দা, মহৈরোয় ৩১০৭না সেকেন্দ দিভিজন্দা অমসুং মহৈরোয় ২৬৪না থর্দ দিভিজন্দা পাস তৌখি। লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয় পূন্না ৪৬৮৬ মায় পাক্তুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৫৩.৭৭ ওইরি। হৌখিবা চহী কয়ামরুম য়াল্লবা শেনফম থাদদুনা ওজা কয়া তোলোপ চাউনা পীদুনা থল্লগসু এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহনবা ঙম্লে হায়না লৌবা য়ারোইদৌরি। হৌখিবা চহীশিংদসু অদু মঙায়রে লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিং মায় পাকপগী চাং অদুমক নেমখি। কুমজা ২০১৮দা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয় মায় পাকপগী চাং চাদা ৫০.৯৯ ওইখি। কুমজা ২০১৭, কুমজা ২০১৬, কুমজা ২০১৫, কুমজা ২০১৪, কুমজা ২০১৩, কুমজা ২০১২, কুমজা ২০১১ অমসুং কুমজা ২০১০দা মথংশিংনা চাদা ৪৫.৭৩, চাদা ৪২.৮৯, চাদা ৩৯.০৭, চাদা ৪৫.৭৪, চাদা ৫৩.২৩, চাদা ৫৩.৩৪, চাদা ৫৪.২০ অমসুং চাদা ৪২.৫৪ ওইখিবনি। মতম অমদা মমিং চৎলম্বা লৈঙাক্কী মহৈ লোইশঙ কয়া হন্দক্তি মহৈরোয় অমফাওবা মায় পাকহনবা ঙমদ্রে। হায়রিবা স্কুলশিং অদুগী মনুংদা কাঞ্চিপুর হায় স্কুল, সী ঐচ ইবোয়াইমা হায় স্কুল শিংজমৈ, জিরিবামগী সোতোবেক্রা হায় স্কুল, হৈবোংপোকপী হায় স্কুল, হৈঙাং হায় স্কুল, উখ্রুলগী হুইনিং হায় স্কুল, খাবমগী ইবেমচা হায় স্কুল, জিরিঘাট হায় স্কুল, লিলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, মাও মরাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি রাম লাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলনচিংবা য়াওরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা মখা তানা ওজা কয়া তোলোপ চাউনা পীদুনা থল্লগা এদ্যুকেসন সেক্টরদা য়াল্লবা শেনফম থাদবা মথৌ তারিবরা নৎত্রগা প্রাইভেটাইজেসন তৌদুনা এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহন্নবা হোৎনবনা চুম্বরা হায়বদু খন্থবা মতম ওইরে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লৈবাক্কী লুচিংপুরেন

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

লৈবাক অমা, লমদম অমা, খুন্নাই অমা চাওখৎপা হায়বসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইনদি মীয়াম্না অয়াবা পীদুনা খনখ্রবা মীহুৎশিং অসিনা মীয়ামগী ফন্নবা পোলিসি তৌগদবনি। মীয়ামগী লুচিংবা ওইবিগে খন্না থোরক্লবনিনা ইশাগী ওইজবা খরা থাদোকপীয়ু। মীয়াম্না থাজবা অমগা লোয়ননা খনখ্রবনিনা অদোম্না মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবীগনু। মীখলগী মতমদদি অহল-নহা, নুপী-নুপা, লায়রবা-ইনাকখুনবা চপ মান্ননা খনবী। লৈঙাক পায়খ্রবা মতুংদদি অচান-মীরাই, য়োংলৈ-মেলৈ, নিংথৌনা ঙাই খঙদে, নিংথৌনা ঙাই থিদে হায়বা অদুগুম্বা ৱাখল্লোন অদু থাদোকপীয়ু। লৈবাকসি চাকথুং-ফিথুংদবনা খুল্লিংবা লমদমনি কাউথোকপীগনু। লৈবাকসিগী ময়োন (কোনুং) ওইরিবা ইম্ফালগী অকোয়বা খরা লংলগা লৈবাকসিমা লোইনা লায়রবা লৈত্রে, লম্বী থোং ফরে, চাওখৎলে হায়বা য়ারগদ্রা? লৈবাকসিগী মীওইশিংদি নীবা, হায়জবা হৈতবা, ইশাগী অশোনবা, লৈতে-লায়রৈ হায়নীংদবা অদুগুম্বা ফুরুপ-কাঙলুপ্না নম্না লৈবা লৈবাকনি। অদুবু হন্দক্কী লৈঙাক পায়বিরিবা ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টরগী খুঙ্গং চৎসি হায়বা ৱাখলসি মমাঙ চহীশিংদা লৈঙাক্লম্বা লুচিংবশিংনা তৌখিবা, উখিবা লৈত্রিব্রা খঞ্জে। মসিগীদমক্তা অদোম্বু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। ঐগী ৱাসি পোলিটিক্সকী ৱাফম নৎচদে। ইচম চম্বা মীওই অমগী ৱাফমনি। লুচিংবা হায়বসি দবা য়াম্না পুরিবা রেল গাড়ীগী মকোক্লম্বনি। মকোক্তুনা তাল্লিদুদা চুম্না চৎলিবমখৈ দবা মচাশিংসু চুম্না চৎকনি। লুচিংবা হায়বসি ইরমদম অসিগা চানবা হায়রগদি শঞ্জেন নহা অমগা চপ মান্নবনি। মহাক্লা শেল্লিবা ষণশিংদু শজিক ফবা মায়কৈদা হোইজিন্দুনা মবুক থন্নবা পীজে। শা, কৈ লাক্লবসু মদুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনৈ।

অদুগুম্না এ সী ৬০গী মীহুৎ ওইরিবা অমসুং এম পি অনী খুদিংমক্লা লৈবাক্কী খরদং খনবীয়ু। লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসি ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরি মরাং কায়না লীংখৎনবা হোৎনবীবা, লাইরিক হৈরবা থবক শূফম নোম্ফম খঙদদুনা ককঙাওনরিবা নহারোলশিংগী থবক পীনবা শিনবীবা, মরুওইনা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক খনবা মতমদা অচুম্বা মওংদা খনবীবা, লৈঙাক্কী লোইশঙ খুদিংদা থৌ পুবিরিবা লোইশঙ মপুশিংনসু খরা কথোকপীবা, অদু ওইরবদি শোয়দনা চাওখৎকনি। কথোকপা য়াওদ্রবদি চাওখৎপা খুন্নাই, লমদম, লৈবাক ওইবা য়ারোই হায়জনীংই।

*অদোমগী - লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতৈ, ময়াং ইম্ফাল মাইবম কোঞ্জিন*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৬

১। মৈতৈ লৈবাক্তা থায়নদি মতম তাকপসি তানয়ৈবগী পূংশিংদা চৎলম্মী। মদু ঘড়ীগী পূং নত্তে। মদুবু মৈতৈ পূং হায়না খঙনৈ।
(ক) মিনিট কয়ারোম্না মৈতৈ পূং অমগা মান্নবগে?
(খ) য়ুথক অমা হায়বসিনা মৈতৈ পূং কয়ানা শাবগে?

২। "নমিৎ পাল্লি উদরে, নখূৎ পাল্লি পায়বা য়াদরে।" পরেং অসি মহাকবি অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শিদুনতা লৈরবা নঙনা/লানগী শাজেল অমুক তৌরিবা?" পরেং অনী অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "নুংশিবা! নঙবু ঙাইবদা ঐ ৱারে। ঐ চৎলে কাছারদা ইমাগী মনাক্তা। করিগুম্বা নহাক্লা হল্লক্লবদি... খোঙ্গুল লীবিরকউ।" পরেং অহুম অসিনা সনাতোম্বীগী ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচাদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নোংমদোন অতিয়াদা ঙানবা থাজদি মায়হিং কায়দো, হিড়ম্বা লৈবাক অসিদা ঙাল্লিবা থাজ অসিদি মায়হিং কাদেদো।" অইবা কব্রম্বম নীলকান্তগী উপন্যাস অমদগী লৌথোকপনি। মায়হিং কাদ্রিবা থাজসি কনাবুনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অমুকসু পি এম ওইগদৌরবা মোদিজিদা ৱাকৎ পরেং খরা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৫১**

**জিতেন নামৈরাকপম**

থা অমগা মখায় হেন্না চঙনা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখলগী ফল হয়েংগী মথং মে ২৩দগী লাউথোরক্লগনি। ভোট কাগনি/কারোই হায়রুবগী মতাংদা কন্না নৈখৎলকপা মতাংনি। ইন্দিয়ানা হেক নীংখা তম্লকপদগী লিশাং শিৎনা লৈঙাক্তুনা লাকখিবা কোংগ্রেসকী ফীভম কা হেন্না ফন্নিংঙাই ওইদে হায়বগী রিপোর্ট পীনরি। মমাঙগী ১৬শুবা লোক সভা ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসকী মশীং ৪৪ খক কাদুনা য়াম্না চাউনা নীংবা কায়বা ওইখিবনি। সিট ৪৪৫ লৈবা পার্লিয়ামেন্টতা ৪৪না কৈদৌরুনি। তোরা তুনা হেভিৱেট কোংগ্রেসমেন কয়া লিখৎপা ঙমদনা তুখিবনি। মোদি ৱেভকী ঈথক ঈপোমদা ভোট্টর লাক্ষ কয়া হুমদুনা পুখিদুনা লৈঙাক পায়নবগী সিট মশীং তঙ্খায় হেন্না লানশিনখিদুনা ২৮০গী মথক্তা কাখিদুনা বি জে পিনা ইরায় লায়না লৈঙাক শেমখিবনি। মোদিবু ইন্দিয়া পূম্বদা লৈঙাক শেম্লুরো হায়না লাইগী মচা ওইনা থারকপগা মান্নখি।

মাইবীগী লাইফাওদগী হেন্না চুম্লবা ইগজিট পোল মরি হায়বদি এন দি টি ভি, টুদেজ চনক্যা, টাইমস নাউ অমদি রিপব্লিক দব্বল ইগজিট পোলগী লাউথোরকপদা বি জে পিনা ৩০০গী মথক্তা কাগনি, নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর শুকশোয় শোয়দনা ওইরগনি হায়বদু উৎলি। অতৈ ন্যুজ চেনেল খরদসু বি জে পিগী সিট মশীং ৩০০ শুদ্রগসু ফংফম থোকপা মশীংদগী হেন্না ফংলগনি হায়বদু উৎলবনিনা নরেন্দ্র মোদিনা অনীরকশুবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা হায়বদুদি ফক্লাংদা লৈতুম্না থোম্বগুম্বনি হায়বসিনি। ফক্লাংদু হোরমদুনা লীৎলগা চৎখিগদবসু লৈত্রে। হৌজিক্তি বি জে পিগী কাঙবুসু লৈঙাক শেম্লগনি হায়দুনা খোঙ্গাই নিক্তুনা লৈখ্রে। মরমদি মমাঙগী ইলেক্সন কয়াদা পীখিবা ইগজিট পোলগী রিজল্টতা অশোয়বা কয়া য়াওখিদে। মখোয়না পীখিবা ফলদা অমা নৎত্রগা অনী ফানা খেন্নদনা চপ মান্নবা মশীং ফংবা য়াওখ্রে। শুকশোয় শোয়দনা লৈঙাক পায়রগনি খঙলবনিনা বি জে পিগী মোদি, অমিট শাহ, রাজনাথহোয়দি কেবিনেট/ষ্টেট মিনিষ্টর, ইন্দিপেন্দেন্ট মিনিষ্টরশিংগী লিষ্ট শেম্বা হৌরম্বফাও য়ারি।

ইগজিট পোলগী ৱাদি ঐখোয়গী ওইনসু হোটেল, ওফিস, কৈথেল, ৱাকিং পার্টি, হীদাক য়ুথক পার্টি, মীয়াম পূনফম পূম্নমক্তা প্রিদিক্সন অদুম তৌনৈ। রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী ৱাদি হন্দক্কী মতাংসিদদি শুক্লে লৈত্রে। প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবগী লমজেলদদি বেঙ্গলি লৈশাবী মমতা বেনর্জিখোয়, ময়াবতিহোয় অদুদগী চন্দ্রবাবু নাইদু, নবিন পটনাইক, ষ্টেলিন করি করা লৈঙাং শেৎপা, শুগ্রীক শিবা মহাদেবগী লান্মী হায়ব্রা শিব সেনা হায়ব্রা মহোয় পার্টিদুগী লীদরসু অদুম ময়াওবনি। থর্দ ফ্রন্ট হায়ব্রা, ফোর্থ ফ্রন্ট হায়ব্রা চোয়খোম পার্টিনা লৈঙাক শেম্বগী ৱাদিওইথোক্লোই। অটল বিহারি বাজপায়ীবুদি কোনশেং পাখং শরী প্রাইম মিনিষ্টরনি ঙাঙনখ্রগসু পাখঙ ওইরবোই নীংলুরগা অঙাং ওইরিঙৈদা চাইল্দ মেরিএজ তৌদুনা পাখঙ ফম হায়দোকখ্রবা শ্রী মোদিজিনা মিনিষ্টর মপীদি ইওইদা ওইরে হায়দুনা য়ু পিগী পাখঙ শরি সী এম লৈঙাং মচু শেৎপা যোগীহোয়না অমুক ফুল সপোর্ট তৌরিবনি। থম্বালনা পায়গেরা, খূবাক্লা পায়গেরা, হঙোইনবু পায়গেরা পায়জৌ তৌবতবু মীচম মীয়াম্বু নুংঙাইহল্লু হায়বসিনি। চাদা হুম্ফুতরাগী মথক্তা লৌমী-শিন্মীশিংনা খুন্দাবা ইন্দিয়া পূম্বদা লায়রবগী অৱাবা কোকহনবা ঙম্বা লৈঙাক অদুদা শৌগৎপা হায়বা অদুদি দেমোক্রেসি চৎনবা লমদম অসিদা ভোট খোল্লুদ্রগসু তৌরক্কদবা মরৈরে। মীয়াম্না হেক শাউরল্লবা, অৱাবা চৈনা, ঈং-তপ্পা লৈহল্লক্ত্রবা মতমদদি ভোট খোম্বা লাকপা মতমদা য়ৈরগে হায়দুনা কোয়তান তান্নবগী থৌদোক থোকপসু য়ারি।

মথক্কী নৈনজরিবা খরা অসিনা সেন্টরগী লৈঙাক ময়োনগী ৱারীনি। ফেদরেল ষ্ট্রকচরদা লৈবা লৈঙাক্কী মখা পোন্না মণিপুর ষ্টেটকী মতাংদনা কমদৌবা! এম পি মরিফু থাগৎলকপা ষ্টেট, ৭০/৬০/৪০ থাগৎনরিবা ময়ামসিগী মরক্তা ইন্নর অমদি আউটরগী শুপ্নতগী অমমমদা রাজ্য সভাগী অমা থারগা অহুমখক অসিনা দিল্লিদা চৎলগা পার্লিয়ামেন্টতা ফম্লগা করি তৌরুগদৌরিবা। মখোয় অহুম ফাওবা পাউ ফাওনরমগদবা মান্দে মখোয় মশেল চাউবা তান্নবদা। ভোট ময়াদা করিদা পংঙাঙ ঙাঙবা, লাউবগী ৱানি। ভাট লোইখ্রবা কাবা/পোবা য়াওনখ্রবা মতুংদা তুমিন লৈনখ্রনি। ভোট মখুলদা চঙখ্রগনি। ময়াং লমদুদা মখোয়গী চন্নফম ইরৈ লৈগদবা মান্দে। তৌদবা য়াদবগী তৌরিবা হায়বদুনি। এম পি মরিফু কারকপা ষ্টেট অদুগী ওনরেবল ময়ামদুনা লাঙলকপা, লাউরকপা, থিল্লকপা, ধপ তৌরকপা মতমদা পার্লিয়ামন্ট হাওস নীক্কনি। নোর্থ ইষ্টতগী অসামনা তরামুক্কী মথক মশীং ওইরিবসি নত্তনা ১/২ খকসিনা কৈদৌনরুগনি। থোয়না লূম্না খনবীবা নত্তে। শ্বায়দা ভোট খোম্বা লাক্লিবসিদি কাববুদি ফৈ, কাগে কাউ কারোই তোকউ, করিমত্তা খনবীদে হায়বগী ফীভমদা লৈ। শ্বাইদনি ঐখোয়না অমেরিকাগী বাই পার্টি ইলেক্সন তৌবা, ষ্টেট ৫২সিদগী মীশিং য়াম্বা য়ামদবা থিদনা দিমোগ্রাফিদা বেজ তৌদনা রিপ্রজেন্টেটিভ ২/২ হাওসতা থাগৎলিবা মীশিং চপ মান্ননা লৈঙাকমিন্নরিবা মওং অসি য়াম্না পাল্লকই। ইন্দিয়াদা চৎনরিবা মল্টি পার্টি সিষ্টেম লৈরিমখৈ, চপ মান্নবা সিষ্টেমদা ষ্টেট খুদিংগী এম পি ২/২ থাগৎত্রিবা মখৈদি মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদগী থাগৎলকপা এম পি অমত্তনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকপগী ৱাদুদি মালেমনা উংবা লেপখিবদা ওইরক্কদবা মঙায়রে। হৌজিক্কী চৎনরিবা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখা পোন্না ঐখোয়দি নপ্তুনা হিংবা অদুমক তারক্লি।

অইবা ইশানা হায়রুদ্রগসু হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেল সিনারিও অসিদদি মোদিজিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা হায়বসিমদি সুপ্রিম কোর্টকী জজগী মমাঙদা ৱাশক লৌবদু ঙাইগদবা মঙায়রে। অদুদা মীয়ামনিদনা জাৎ-জাৎকী ৱাহং হংনরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর হন্না ওইরগদৌরিবনসু মীয়ামগী ৱাকৎ লৌবীয়ু হায়নরি। ৱাকৎশিংদুদা মচং ওইবা খরদংদি :-

- লায়রবগী বেঙ্ক একাউন্টতা লুপা লাক্ষ ১৫ হাপ্পীনি হায়খ্রগা শিকি অমফাওবা ফংদ্রি। চঙলক্ত্রি/চঙহনবীরকউ মথংগী টর্মদসু প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিগে হায়রগদি।
- জি এস টিসি টেক্স থিনিংদবশিংদগী সিকি চিথ্দনা লৌখৎলে হায়রগসু লায়রবা ঐখোয়দগীসু হুমাং মমল ফাওবা শুম্লগা লৌবিরে। হীরম খুদিংমক্তা শেল কক্তবা অমত্তা য়াওদ্রে। মসিনা কমদৌবা!
- দিমোনেটাইজেসন্দা মীশি-মীনা থোকখিবদুদি নুংঙাইতে, হৌজিকপুদি নোর্মেলসিদা লাক্লে। তৌবতবু মদুনা কয়া য়াম্না মীয়ামদা কান্নবা পীখ্রবগে হংনীংই।
- লায়রবগী চেঙ কেজিদা লুপা ২দা ফংহল্লি থাগৎচরি। অনা-অয়েক লায়েংবিবা, স্কুল-কোলেজ ফ্রীদা তমহনবা, লাইরিক-য়ুনিফোর্ম পীবা ফজৈ। মৈ-ঈশিং সিমতগা ফ্রীদা টেক্স লৌদনা পীবিরগদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। লৈঙাক পায়রিবশিংনা মপা-মমানি হায়বনিনা নচাশিং ঐখোয় নখোয়গী টেক্স থিনবা হোৎনবদা য়ূম মুৎকদৌরে। য়ারগদি ঐখোয়বু হীরম খুদিংমক্তা ফ্রী ওইনা হিংহনবীয়ু।

# মণিপুরগী ফোকলোরদা সঙাইগী মফম : ঙসিগী মীরোলনা তমজনীংঙাইনি

**ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী**

সঙাই সঙাই সঙাই। খঙদবা কনাবু য়াওরিবগে, ইমা মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লিবশিংগী মনুংদা শিংথানরিবনি মহাকসু। শক্লা শোন্নবদি লেপ্তে মাবু, লাউরি তত্তনা 'সঙাই কনসি সঙাই কনসি, সঙাইবু নুংশিবীয়ু'। অদুবু লাইবক থীবদি কনাগুম্বা মীনুংশি খঙদবা খরনদি মাগী মনীং মখা তম্না হিংজরিবা পুন্সিদা তত্তনা তেমশিংনরি। কয়াদা তমথীখ্রবা মচৎনো। ঐখোয়গী তাঙলবা ইরলনি হায়বসি কাউথোক্লবগুম তৌরি। হায়নবা তাখি, সঙাই চারবদি মচা নুপা পোক্তবশিংদো মচানুপা পোকই। থাজগে হায়না থাজখ্রবদা কনামত্তনা চুমথোকপা ঙমদে, চপ য়ুংদুনা লৈনবজাৎনি। মসিনা মরম ওইরগা সঙাইদা চৈথেং পীরক্লিবশিংবুদি অকনবা চৈরাক পীফম থোকই, পীসু পীরি। ঙসিগী মীরোলখক্তগী ৱা নত্তে, নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগীনি সঙাইবু নুংশিজবা পাম্মুজবগী ৱারী শীংবুন, শৈথারোল কয়া ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্মী। উমং ৱামংদা চাক্তাজরিবা শা উচেক ফাবিবা, হাৎপিবগী মচৎ লৈরম্বা খুন্নাইনা, লৈবাক নিংথৌ, অঙম অথৌ য়াওনা শা তানবগী থবক য়াম্না তোয়না চখ্থরম্মী। থাঙ্গৈ শেংনমক হায়রবদা শা তানববু মপূং ওইবা শিনফম অমা ওইনা লৌনরম্মী। অদুবু নাকল অমরোমদা শা উচেক্কী পুন্সিবু নুংশিজবা অমদি মখোয়গীদমক নুংনাংবা ফাওবা মীওই কয়া অমসু লৈরম্মী। মখোয়না তেংথারম্মী, মীরোল মথং মথং লান্না খোন্থাং য়ৈখিদুনা থম্মোয় খুদিংমক্তা মিনুংশিগী মফম কন্দুনা থম্লুনবগীদমক।

কৈবুল লমজাওদা চাক্তারিবা সঙাইগী নুংওন ৱারী থম্বীরম্মী। সরাংথেম বরমনিনা ইবা 'মোইরাং শাইওন' হায়না মিংথোনবা লাইরিক্তা কদেং থাংজহনবা, তোনু লাইজিংলেম্বী অনীগী মোইরাং শাইওন ৱারীবু মরীক চুম্না পাউদম্লি। পুরিৎলাই লাইজিংখু পুনশিনবনা মোইরাং নিংথৌ ওইদুনা পাল্লিঙৈ মতমগী ৱারীনি। মোন্দুম চীংজাউদগী মোইরাংদা শাইদাংলকখিবা ঙাংখলাকপা অঙম্বগী মপারী তোম্পোক মোইরাং নিংথৌগী থৌজালদগী থাংজহনবা ফমথোন ফংখিবা কদেং থাংজহনবা অমসুং ফম্নাইবা লাইজিংলাকপগী নাইতোম শাৎচবী মমোম তোনু লাইজিংলেম্বী অনীগী নুংশি শাইওন ৱারীগী ঈচেলদা সঙাই মাসু য়াওরকখি, নীংঙমদবা থৌদোক অমনা মরম ওইনা শাবী শানৌ অনী নুংশি ৱাইথুংনখিদে। চকপা শলাং মাইবীনা পীবা লাইপাউগী মতুং ইন্না লৈবাক চাকহোঙ ঙাহোঙনবা, খুঞ্জাও লৈচাওনবা চীংঙু থাংজিং লাইদা কৎনবগীদমক তোর্বুং লমজাউদগী শারম চাম্মা ফাবগী থৌদাং অদু কদেং থাংজহনবনা লৌরম্মী। কদেং থাংজহনবনা হূইজাও তরাগা লোয়ননা হূই ময়াম অমা পুরগা অথৌবা নুপা তরাগা লোয়ননা তোর্বুং লমজাউদা শা থিবা লাক্লম্মী। অয়ূক নুমিদাং খায়দনা নুমিৎ তরানি চূপ্না শারম চাম্মা ফাননবা হোৎনরবসু শারম মশীং শুবা ঙমদবদগী নোংপোক নোংচুপ্তা হূই ময়াম্না থত্তুনা থল্লগা খা ৱাংদনা লম্মৈ থারগা শা ময়াম ফারম্মী।

মতৌ অসুম্না লম্মৈ চাকশিল্লক্লবদা খোইঙৌজেংগী চীংজেল লালুরা লোক্কী লোকমাঙদা চাক্তারম্বা মশা ৱাই শংদ্রবী সঙাই অমোম্না লাবা অদুদা মমঙ নুংঙাইরমদে, য়াম্না থুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রসি হায়রম্মী। করিসু তৌরোই হায়না সঙাই লাবদুনা থৌশাদনা লৈরিঙৈদা মৈ অদু নুংশিৎনা হুমজিল্লক্তুনা মায়গৈ মরি শীনবা থুংনা চাকশিল্লক্লম্মী। সঙাই মতৈ মনাওদু নাম্থোক্লবা লম্বী থির-থিরদুনা কোয়চেন চেল্লম্মী। কাইনথংদা লম্বী লৈরক্ত্রবদা সঙাই লাবদুদি মৈরি অদু লাম্থোক্তুনা চোংলগা চেনখিরম্মী। অমোমদুদি নাউপুরিবী ওইবা মরম্না নাম্থোকপা ঙমদনা "শাবী ইবুংঙো নুংশিবা লাইবক চাউবী ননাউদি নুজা পাঙ্গল ওইবনা শামু হৈনা নতুং ইনবসু ঙমজদ্রে, ননাওবু ৱাংলেন খরদংদি ঙাইবীরমখো"। সঙাই মতৈ মনাওনা কপ্পা লাউনবদু তাবদা কদেং থাংজহনবনা শগোল থৌজিন্দুনা মৈরি লান্না চোংলগা সঙাই অমোম অদু ফারগা পুখিরম্মী। মতম অদুদা সঙাই লাবনা মহাক্কী নুপী কায়নবগী ফংলিবা মৈচাক অদুমক ফংবা ওইয়ু হায়না কদেং থাংজহনবদা শাপ চাইরম্মী।

মতম অসিদা মোইরাং কোনুংদা নিংথৌ অদু মপারী পোক্তবনা মরম ওইরগা মহুৎ শিনবীনবা লৈত্রে হায়দুনা নুংনাংলবা নিংথৌনা লৈমরেনবীগা লোয়ননা ইবুধৌ থাংজিংদা হে-লৈ কত্তুনা খুরুমজবদা নিংথৌগা মিং মান্নবা নুজা অমগা লুহোংলবদি মপারী মমোম পোক্কনি হায়না মাইবী লাইফাও ফাওরম্মী। মরম অদুনা তোনু লাইজিংলেম্বীগা লুহোংখ্রে। অমরোমদা শারম চাম্মা শুরদুনা কদেং থাংজহনবসু সঙাই অদু পুরগা হল্লক্লম্মী। মশানৌ লাইজিংলেম্বীদা সঙাই অদুবু খুদোল তম্নবগীদমক লাইজিংলেম্বীগী য়ূমদা লাক্লম্মী। অশেংবা পাউ অদু তারবদা নীংবা কায়না হনখি। মথং নুমিত্তা থাঙলেন অনী শারগা নিংথৌদা কৎলম্মী। মানা পুরকপা সঙাইদু উবদা লাইজিংলেম্বীদা কৎননবা হায়বদগী লাইজিংলেম্বীদা খুদোল তমখি।

অতোপ্পা ৱারী অমগী মতুং ইন্না লাইজিংলেম্বীনা নিংথৌকোনগী লৈমা ওইখ্রবদা থাংজহনবনা সঙাই অদু কৈবু লমজাউদা থাদোকখি। মতম অদুদগী হৌনা মফম অদু সঙাইগী ময়ূম ওইখি। হিজন হিরাউদা মাগী নুংশিবা ৱারী অমসু য়াওরি। হোঙনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী ময়াম্বা পুদাংকোই খূৎকোইবনা য়েম্পাক শাবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা অইং অশাদগী ঙাকথোকচবা ঙল্লমদে। নোংমা অখাক-অরাউগা লোয়ননা নোং কন্না চুবদগী থবক চৎপদা অপনবা থোক্লম্মী। নোংজু নুংশাদগী মশা ঙাকথোকচবা ঙমদ্রে খল্লুবদা ইকায় নুংশি য়ান্নরম্মী। মরম অদুনা মীয়াম্না খ্বাইদগী পামজবা নুংশিজবা শা অমা ওল্লগে হায়দুনা নাপীনা মতু শেল্লে, লোংখুম নামৈনা মনা অনী ওইহল্লে, মাগী খূৎশুথাঙ ওইরিবা শঙ্গাইনা মচি ওইহল্লম্মী। মতৌ অসুম্না সঙাই ওনখি। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা ময়াম্বা পুদাংকোইনা ওনখিবা সঙাই মকোক অদু মাগী মতমদা ইহান হান্না পুথোকখিবা হিদা হাপ্তুনা লুৱাংই তুরেলদা হি তান্নবদা য়াওহনখি।

খম্বা থোইবী শৈরেংগী মতাং অমদা, মোইরাং নিংথৌগী মনাউনুপা চিংখুবা, খম্বা, নোংবাল, ফৈরোইজাম্বা য়াওনা মোইরাং মীয়াম তোর্বুংদা শা তানবা চৎলম্মী। মতম অদুদা তোর্বুং লমজাউদা সঙাই মতৈ মনাও মঙগী নুংঙাইতবা থৌদোক অমগী মরমদা অমোম অদুনা লাবদুদা পাউদম্লম্মী। অসুম্না লৈরিঙৈদা মীয়াম অদু লাক্লম্মী। মীনিলখোল অদু তাবদা অমোম অদু কিমনখিবনা কপ্পলম্মী। হূইয়াম্না পুমকোয় কোয়শিনখ্রবদা অনী অদু তুমিন্না য়ৈশিন্দুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা অমুক মৈজাও থারক্লম্মী। মৈনা অসুম কোয়শিল্লক্তুনা মতৈ মনাওদু মৈশা ফাওরক্লম্মী। লাবদুনা অমোমগী মচিন্না চিক্লগা চেনমিন্নরম্মী। মীয়ামদুনা শা অনীদু ফারো ফারো হায়না তান্নরম্মী। মৈনা শোক্কদবগী ফীভম উরক্লবদা লাবা অদুনা অমোম অদু থাদোক্তুনা চেনখিরম্মী। মৈ অদুনা অমোম অদু থাদোক্লম্লগা লাবগী মতুংদা তান্নখিরম্মী। কাইনথংদা লাবা অদু তুরেলদা চোংথখিদুনা চিংদা কাখৎখি। অদুবু অমোম অদুদি মীয়ামগী খূত্তা তাহৌরে। হূইশিংনা খুদুংদা লাক্কে তৌবদা মীয়াম্না খাল্লম্মী। মশা শোকহন্দনা মখোঙ মরিমক পুনশিল্লগা থল্লম্মী। মতৈ মনাও অনীদুনা কপ্পা কপ্পা পুকমেন পাউমেন্নবদু তারুবদা মচেম খম্নুনা মাবু কৌখিবদু নীংশিংলম্মী। শা অতোপ্পা ফংলবদি সঙাই অমোম অদু কনবীরগা য়োক্কে হায়না চিংখুবনা হায়বদু তাবদা মাবু কনবীরবদি বোর পীগে, মাঙহল্লবদি শাপ তৌগনি হায়না মবুক্লিংদা খল্লম্মী। মীয়াম্না মফম হোংদুনা খুজামুম্বা চীংজিন্দা মৈ অমুক থারম্মী। মতম অদুদা ইখঙ খঙহৌদনা সঙাই লাবা কূম্ব্রা মৈগী মমাঙ থাদুনা মচি চিরেন্না লৈথক লৈখা কোক্তুনা থোরক্লম্মী। মতৌ অদু উবদা মীয়াম অদু নোংবান য়াওনা শমজি খাইদুনা চেল্লম্মী। সঙাইশিং অদু চিংখুবা তম্না হোৎচিল্লক্লম্মী। করি তৌগদবনো হায়বা খঙদনা চিংখুবদু মমিৎ উইশিন্দুনা লৈরম্মী। মদুদা চিংখুবা শিবা তারে হায়দুনা মাগী মাঙদা ফৈরোইজাম্বা অমসুং খম্বা চোংশিন্দুনা লেপ্লম্মী। মতমদুদা সঙাইশিং অদু মফম খঙদনা মাঙখিরম্মী। চিংখুবনা মমিৎ পাঙথোরকপদা খম্বা লৈরম্বা উবদা শাউরম্মী। ফৈরোইজাম্বা অমদি খম্বগা চিংখুবগা মরৈ তৌনরবা মতুংদা মশেন মবাইদু ময়ূমদা হনখি। তাঞ্জা অদুদা সঙাই অমোম অদু নাম্থোক্তুনা চেনখিরম্মী। কাইনথংদা শজি লাবগা থেংনদুনা হরাউ তয়াম্না চৎমিন্নখি।

মতৌ অসুম্না মণিপুরগী ফোকলোরদা সঙাইগী মতিক মগুন শৈথাদুনা শা অসিবু তাথী তাওইনা তৌদনবা পাউজেল পীরি। লমদম অসিগী লাইথৌ তীনথৌগী থৌরমদা শারম ঙারম কৎপগা মরী লৈননা শা তানবগী থৌরম অসি য়াম্না মরু ওইবা তৌদবা য়াদ্রবা থবক থৌওং অমা ওইজরবসু সঙাই হায়রিবা শা অসিবুদি তাথী তাওইবীদনবা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইবা ৱারী শিংবুলশিং শেমগৎলম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।